

# সনালৈবাক স্পোর্টস



IMPHAL, TUESDAY, OCTOBER 03, 2017 PAGE 7


*বৃটিশ মাষ্টর্স গোল্ফ টুর্নামেন্টতা রোরি মেকরোইবু মায়থিবা পীদুনা মহাক্কী অহানবা য়ুরোপিয়ান টুর টাইটল ফংবা ঙমখ্রবা আয়রলেন্দগী পোল দ্যুম*

*চাইনা ওপন টেন্নিসকী নুপীগী কাঙলুপ্তা জেক রিপব্লিক্কী বার্বোরা ষ্ট্রইকোভাগী মখুত্তা অহানবা সেট ১-৬ তা অদুগা ২শুবা সেটস্সু গেম ০-২ দা হেন্দুনা লৈরিঙৈ মশা ঙম্লক্তবদগী পোথাখ্রবী স্পেনগী মুগুরুজা*

## চহী ১৭ মখাগী ৱার্ল্ড কপকী মেটচ খুদিংমক মায় পাক্লবা শান্নগনিঃ ইন্দিয়াগী কোচ মাটোস

*ন্যু দিল্লি, ওক্তোবর ০২ঃ*

ইন্দিয়াদা লৈরিবা ফুটবোল পামজবা ভাবকশিংনা ঙাইরকপা অদু য়ৌশিল্লক্লে। থা অসিগী ৬ তা ইন্দিয়াগী চহী ১৭ মখাগী ফুটবোল টিম্না ফিফা ৱার্ল্ড কপকী অহানবা মেটচ অদু য়ুএসএগা শান্নরগনি। ইন্দিয়াগী কোচ দি মাটোসনা টিম অসিনা শান্নগদৌরিবা মেটচ খুদিংমক মায় পাক্লনবা শান্নগনি হায়খি।

টেলিভিজন ন্যুজ নেটৱার্ক অমগা ৱারী শান্নবদা পোর্টুগাল মচা লুই নোর্টোন দি মাটোসনা ফোঙদোকখিবদা পাঞ্জল ১-০ দা মায়থিরবসু নৎত্রগা অহেনবা পায়জল মশিংদা মায়থিরবসু মেটচ অদু মায়থিবা কৌবা মরম্না স্কোরদা কা হেন্না পুক্নিং চঙদনা মায়োক্লবা টিম অদুবু থোইনবা হোৎনবা মহাক্কী মরুওইবা লাল্লোং ওইখি।

মীয়াম্না খঙরিবা ৱাফমদি চহী অসিদা ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা চহী ১৭ মখাগী ফিফা ৱার্ল্ড কপ অসি ইন্দিয়াদা অয়াবা পীখিবা মতম অদু ফাওবদা ইন্দিয়াগী চহী ১৭ মখাগী মপুং ফাবা টিম অমা ফাওবা লৈরমখিদবনি।

মমাঙদা ইংলিস মচা নিকোলাই এদামনা চহী ১৭ মখাগী শান্নরোইশিং অসিগী কোচ ওইরম্বনি। অদুবু চহী অসিগী অঙনবা শরুক্তা মহাক্কী ফম অদু মশাগী চহী ৬৩ শুরবা পোর্টুগাল মচা লুই নোর্টোন দি মাটোসনা শিল্লকখিবনি।


মহাক্কী শান্নরোইশিং অসিনা চাদা ২০০ গী চাংদা মখোয়গী টেলেন্টশিং অদু উৎথোক্কদৌরি। মদুগীদমক্তা শান্নরোই খুদিংমক ফিল্ডদা কুমগদৌবগী ঙাইদুনা লৈরিবনি।

ইন্দিয়াগী চহী ১৭ মখাগী ফুটবোল টিম অসিনা হৌখিবা চহী অনীমখায় অসিনা য়ুরোপ অমদি অমেরিকাগী লৈবাকশিংদা চত্তুনা প্রেক্টিষ্ট মেটচ কয়া শান্নখি। মদুদা খ্বাইদগী ফজবা মেটচ অদু চিলিগা শান্নবদা পাঞ্জল ১-১ চন্নরগা ড্রো চৎখিবা অদুনি।

পনবা য়াবদি চিলিগী টিম অসি সাউথ অমেরিকাগী চহী ১৭ মখাগী ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ্তা রন্নর্স অপ তাখিবা টিম অমনি।

ইন্দিয়াগী কোচ দি মাটোসনা মখা তানা ফোঙদোরকপদা মহাক্কী টিম অসি মপুং ফানা শেম শাদুনা লৈরি। লোয়নমা অতোপ্পা টিমগা লম্বা তৌনরকপদা অশোয়বা মফম থন্না য়ারোইদবগী ফিভমনি। অশোয়বশিং অদু লৈত্রবদি মায় পাকপগী অচৌবা খুদোংচাবা লৈ হায়না মমাঙদা পোর্টুগালগী ষ্ট্রাইকর ওইরম্বা কোচ অসিনা ফোঙদোকখি।

লৈবাক অসিগী টিমগী ফিজেল শেত্তুনা অচৌবা টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা ফিফা ৱার্ল্ড কপ অসিদা শরুক য়ারকপদা শান্নরোইশিং অসিনা মখোয়গী লৈজবা পুম্বা পুথোক্তুনা শান্ননিংবগী ইহুল অদু লৈ হায়খি।



*ইন্দিয়াগী চহী ১৭ মখাগী ফুটবোল টিম কোচ দি মাটোস*

## ভিরাট নম্বর ১দা লৈরি, রোহিট ৫দা হাইগৎখ্রে

*দুবাই, ওক্তোবর ০২ঃ*

ওষ্ট্রেলিয়াগী টিম্বু মেটচ ৪-১ দা সেরিজ মায় পাকখ্রবা ইন্দিয়া টিমগী কেপ্টেন ভিরাট কোলি ৱান দে ইন্টরনেসনেলগী বেটসমেনশিংগী রেঙ্কিংদা নম্বর ৱান পোজিসনদা অদুমক লৈবা ঙম্লি। অদুগা ওপনর রোহিট শর্ম্ম ৫শুবদা হাইগৎখ্রে।

দুবাইদা লৈবা ইন্টরনেসনেল ক্রিকেট কাউন্সিলগী মায়কৈদগী থোরকপা খ্বাইদগী নৌবা বেটসমেনশিংগী রেঙ্কিং অদুদা সেরিজ অদুদা শান্নখিবা মেট ৫ দা রন ২৯৬ লৌদুনা খ্বাইদগী য়ামখিবা রোহিট শর্ম্মনা হান্না ৯শুবা পোজিসনদা লৈরম্বদগী ৪ হাইগৎলগা ৫শুবদা লৈবা ঙমখিবনি।

পনবা য়াবদি রোহিট মমাঙ চহীগী ফেব্রুৱারী থাদা ৩শুবা পোজিসনদা লৈদুনা খ্বাইদগী ফজবা ওইখিবনি। অজিনক্য রহানে ২৮ শুবা পোজিসনদা লৈরম্বদগী ২৪ শুবা পোজিসনদা হাইগৎপা ঙমখি।

## বোল্ট এঠলিট ওফ দি ইয়রগী মনাগী খনগৎপদা য়াওখিদ্রে

*মোনাকো, ওক্তোবর ০২ঃ*

আইএএএফ ৱার্ল্ড এঠলিট ওফ দি ইয়রগী মনা ৬লক ফংখ্রবা ৱার্ল্ড রেকোর্ড হোল্ডর জমাইকাগী উসেন বোল্ট চহী অসিগী মনা পীননবা খনগৎখিবা শান্নরোই ১০ গী মনুংদা য়াওখিদ্রে।

এঠলেটিক্সকী পুৱারীদা ওলিম্পিক্স গেমস ৩ থংন-থংননা মিটর ১০০ অমসুং ২০০ গী চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখিবা ইভেন্ট অনীমক্কী ৱার্ল্ড রেকোর্ড অদুসু সেকেন্দ ৯.৫৮ অমসুং সেকেন্দ ১৯.১৯ দা থম্বা ঙম্লিনি।

মহাক চহী অসিদা পাঙথোকখিবা লন্দনগী ৱার্ল্ড এঠলেটিক্স চেম্পিয়নসিপ্তকী মতুংদা মশান্না অসিদগী রিটায়ার্ড তৌখিবনি। চহী অসিগী মনা অদু মথং থাগী ২৪ দা মোনাকোদা য়েন্থোক্লগনি।

## এসিয়ান ৱুমেন্স বোক্সিং চেম্পিয়নসিপকী ইন্দিয়াগী টিমদা মণিপুরদগী মেরি কোম অমসুং সরিতা দেবী য়াওখ্রে

*ন্যু দিল্লি, ওক্তোবর ০২ঃ*

মথং থাগী ২দগী ১১ ফাওবা ভিয়েটনামগী সিটি হো চি মিনদা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ান ৱুমেন্স বোক্সিং চেম্পিয়নসিপ্তা ইন্দিয়াগী টিম লাওথোরকপদা মণিপুরদগী হৌখিবী এম সি মেরি কোম অমসুং লাইশ্রম সরিতা দেবীগী মমিং য়াওখ্রে।

ৱার্ল্ড টাইটল ৫রক লৌবা ঙমখ্রবী হৌজক হৌজিক ইন্দিয়াগী রাজ্য সভাগী মেম্বর ওইরিবী এম সি মেরি কোমনা মহাক্না খ্বাইদগী পামনা শান্নজবা ৱেঠ কেটেগোরি ওইরিবা কেজি ৪৮দা শরুক য়াগদৌরি। পনবা য়াই কুমজা ২০১০দা কেজি ৫১দা হায়গৎতুনা মশান্ন অসি অমুক শান্নরম্লবনি।

মহাক্না কেজি ৫১দা হায়গৎতুনা শান্নখিবগী অচৌবা মরমদি এসিয়ান গেমস অমসুং ওলিম্পিক্সতা নুপীগী বোক্সিং অসি কেজি ৪৮দগী হৌবননি। পনবা য়াই মহাক্না কুমজা ২০১২ লন্দন ওলিম্পিক্সতা হায়রিবা কেজি ৫১গী কেটেগোরিদা ব্রোঞ্জ মেডল লৌবা ঙমখিবনি।

মেরি কোমনা নবেম্বর ২দগী ১১ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ান ৱুমেন্স বোক্সিং চেম্পিয়নসিপ অসিদা ক্কালিফাই ওইনবদগীদমক ইন্দিয়াদা পাঙথোকপা ত্রাইল সেলেক্সনদা বাউত ৬ লম্বা তৌনবদা তরুকমক মায়পাক্তুনা ক্কালিফাই ওইখিবনি।

মহাক্কী ত্রাইল অদুদা অতোপ্পা মণিপুরগী বোক্সর ৱার্ল্ড চেম্পিয়নসিপকী সিলভর মেডালিষ্ট সরজুবালাসু মায়থিবা পীরমখি।

মেরি কোমনা ফোংদোকখিবদা মহাক্না চহী অসিগী অরোইবা ফাওবা কেজি ৪৮ অমসুং ৫১দা চোং-চোংদুনা শান্নগনি। মদু মহাক্না শরুক য়াগদৌরিবা টুর্নামেন্টশিং অদুগী মরু ওইবা নত্রগা ওইদবা অদুগী মতুং ইনগনি হায়খি।

মহাক্না এসিয়ান লেভেলদা পাঙথোকখিবা বোক্সিং কম্পিটিসনশিংদা মেডল ৫ ফংবা ঙমখি। মদুগী মনুংদা ৪ অমদি গোল্ড মেডল ওইখি।

অদুবু কেজি ৪৮ গী ৱেথ কেটেগোরিদা এসিয়ান বোক্সিং চেম্পিয়নসিপ অসিদা শরুক য়াগদৌরিবা অসিগী মেরি কোমগী অহানবনি।

নাকল অমরোমদা চহী ৩৫ শুরবী এসিয়ান বোক্সিং চেম্পিয়নসিপ্তা মেডল ৫ (গোল্ড ৪) ফংবা ঙমখ্রবী লাইশ্রম সরিতা দেবীসু কেজি ৬৪ দা শরুক য়াগদৌরি।

সরিতা দেবীনা হন্দক্তা ইকুই কুইদ্রিঙৈ প্রোফেসনেল বোক্সিংদা লাইবক য়েংদুনা মহাক্কী অহানবা বাওট অদু মায় পাকখিবনি। অদুবু মহাক থা খরগী মমাঙদা এমেচর বোক্সিংদা অমুক হল্লক্তুনা মহাক্না হান্না শান্নরম্বা কেজি ৬০ গী কেটেগোরিদগী হাইগৎলগা কেজি ৬৪ দা শরুক য়াগদৌরি।

এসিয়ান বোক্সিং চেম্পিয়নসিপ অসিগী কুমজা ২০১৫ দা পাঙথোকখিবা ইদিসনদা মেরি কোম অমসুং সরিতা দেবী শরুক য়াখিদে। চহী অদুদা ইন্দিয়াগী নুপীগী বোক্সিং টিম্না শুপ্নগী গোল্ড মেডল, সিলভর ১ অমদি ব্রোঞ্জ ৫ ফংখি।

হন্দক্কী চেম্পিয়নসিপ অসিদা অহানবা ওইনা শরুক য়াগদৌরিবা ইন্দিয়াগী বোক্সর অদুদি কেজি ৫১ গী কাঙলুপ্তা নিরজনি। পনবা য়াবদি মহাক চহী অসিগী অঙনবা শরুক্তা সর্ভিয়াদা পাঙথোকখিবা নেসন্স কপ বোক্সিংদা গোল্ড মেডল ফংবা ঙমখিবনি।

এসিয়ান বোক্সিং পুৱারীদা ইন্দিয়াগী নুপীগী টিম অসিনা হৌজিক ফাওবদা অপুনবা মেডল ৬০ (গোল্ড ১৯, সিলভর ২১ অমসুং ব্রোঞ্জ ২০) ফংদুনা অহুমশুবা পোজিসনদা লৈবা ঙম্লি।

কেজি ৫৭ তা শরুক য়াগদৌরিবী সোনিয়া লাথর ৱার্ল্ড চেম্পিয়নসিপকী সিলভর মেডালিষ্টনি। মহাক্না লোয়নমা মমাঙগী এসিয়ান চেম্পিয়নসিপ্তা সিলভর ফংখিবী সাৱিতি বুরানা কেজি ৮১ দা শরুক য়াগদৌরি।

শরুক য়াগগৌরিবী নুপী বোক্সরশিং অদুদি এমসি মেরি কোম (কেজি ৪৮), নিরজ (কেজি ৫১), সিক্সা (কেজি ৫৪), সোনিয়া লাথর (কেজি ৫৭), পবিত্র (কেজি ৬০), এল সরিতা (কেজি ৬৪), লোবেলিনা (কেজি ৬৯), পুজা রানি (কেজি ৭৫), সৱিতি বুরা (কেজি ৮১) অমসুং সিমা পুনিয়া (কেজি ৮১ মথক) নি।



*এসিয়ান বোক্সিং চেম্পিয়নসিপ্তা শরুক য়াগদৌরিবী মণিপুর মচা এমসি মেরি কোম অমসুং এল সরিতা দেবী*

## ইন্দিয়া ‘এ’ নোর্দন টেরিটোরিগা ১-১ দা ড্রো চৎখ্রে

*পর্থ, ওক্তোবর ০২ঃ*

ওষ্ট্রেলিয়ান হোক্কি টুর্নামেন্টকী ঙসি পর্থ সিটিদা শান্নখিবা পুল (বি) গী মেটচ অমদা পাঞ্জল মাঙজিল থারম্লবা ইন্দিয়াগী ‘এ’ টিম মেটচ অদু নোর্দন টেরিটোরিগা শান্নবদা পাঞ্জল ১-১ দা ড্রো চৎখিবনি।

মেটচ অদুগী হৌরকপা অহানবা ক্কার্টরগী ৬শুবা মিনটতা ইন্দিয়া ‘এ’ গী শান্নরোইশিং অদুনা চথখিবা এটেক অমদা মোহমদ উমলনা ফিল্ড গোল অমগী মতেংদা নোর্দন টেরিটোরিবু পাঞ্জল ১-০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

পাঞ্জল মাঙজিল থারবা ইন্দিয়া ‘এ’ গী টিম্না অনীশুবা ক্কার্টর অদুসু মায়োক্লবা টিম অদুগী মায়কৈদা বোল হেন্না পুশিন্দুনা শান্নবা ঙমখি। টিম অদুগী মায়কৈদগী অর্মান কুরেসি অমসুং অফান য়ুসুপসু পাঞ্জল ওইরমগদবা তাঞ্জা অনী মাঙজখি।

মেটচ অদুগী অনীশুবা হাল্ফ অহুমশুবা ক্কার্টরদা নোর্দন টেরিটোরিগী মায়কৈদগী শান্নরকপা অদু হান্নদগী ফজবা হেনখি।

মখোয়গী এটেক অমদা ইন্দিয়াগী দিফেন্দরশিং অদুবু নমথরগা পেনাল্টি ষ্ট্রোক অমা ফংখি। ষ্ট্রোক অদু নোর্দন টেরিটোরিগী শান্নরোই এড্রিয়ান লোকলিনা অশোয়-অঙাম য়াওহন্দনা ইক্কেলাইজর চন্দুনা টিম অনীমক ১-১ দা লৈনখি।

অহুমশুবা অমদি মরিশুবা ক্কার্টর অনীমক্তা মায়কৈ অনীদগী মখা তাবা পাঞ্জল হাপচিনবা ঙম্মখিদে। হয়েং ওষ্ট্রেলিয়ান কেপিটেল টেরিটোরিগা ইন্দিয়াগী ‘এ’ গী টিমগা শান্নগনি।

## লিওনেল মেসিনা চনখিবা পাঞ্জল অনীদা বার্সেলোনানা লাস পলমাসপু পাঞ্জল ৩-০ দা মায়থিবা পীদুনা লা লীগা ফুটবোল টুর্নামেন্টকী পোইন্ট টেবলগী মকোক্তা লেঙদনা লৈরি

*বার্সেলোনা, ওক্তোবর ০২ঃ*

স্পেনদা পাঙথোকপা ক্লবশিংগী খ্বাইদগী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা লা লীগাগী ৭শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা বার্সেলোনাগী লিওনেল মেসিনা চনখিবা পাঞ্জল অনীনা লাস পলমাসপু পাঞ্জল ৩-০ দা মায়থিবা পীদুনা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলগী মকোক্তা লেঙদনা লৈবা ঙম্লি।

বার্সেলোনা অমসুং লাস পালমাসনা শান্নখিবা লা লীগাগী ৭শুবা রাউন্দগী মেটচ অদুগী শান্নবা হৌরকপদা টিম অনীমক য়াম্না লম্বা মান্নরকখি। শান্নবগী অহানবা হাল্ফকী পুংখায় অমা শান্নরকপা অদুদা অমনা অমগী মায়কৈদা বোল পুশিন্নদুনা এটেক কয়া তৌদুনা শান্নরকখ্রবসু পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমদনা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপদা বার্সেলোনাগী মায়কৈদগী এটেক কনশিনবা হেল্লকখি। শান্নবগী ৪৯শুবা মিনটতা বার্সেলোনাগী সর্জিও বুসক্যুয়েষ্টনা অহানবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা লাস পলমাসপু ১-০ দা মাঙজিল থাবা হৌখি।

পাঞ্জল অমা মাঙজিল থারবা বার্সেলোনাগী শান্নরোইশিংনা লাস পলমাসকী মায়োক্তা এটেক মরী-মরী তৌশিল্লক্তুনা অহেনবা পাঞ্জল থিবা হৌরকখি। শান্নবগী ৭০ শুবা মিনটতা বার্সেলোনাগী মরুওইবা ষ্ট্রাইকর অমা ওইরিবা লিওনেল মেসিনা মহাক্কী অহানবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা লাস পলমাসপু ২-০ দা হেন্দুনা লৈখি।

টিম অনীনা মখা তানা শান্নরকপদা বার্সেলোনাগী এটেক অমদা টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল চনখিবা লিওনেল মেসিনা মহাক্কী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা ৩-০ দা মাঙজিল থারবা মতুং মখা তাবা পাঞ্জল লৈনখিদবদগী মেটচ অদু বার্সেলোনানা মায় পাকখি।

লা লীগাগী ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা ৭শুবা রাউন্দগী লীগ মেটচ অমদা রিয়েল মাদ্রিদনা ইস্পানিওলবু পাঞ্জল ২-০ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অদু হৌবদগী হৌনা রিয়েল মাদ্রিদকী শান্নরোইশিংনা খুদুম চনবা ঙমখি। শান্নবগী ৩০ শুবা মিনটতা রিয়েল মাদ্রিদকী ইস্কোনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চল্লবা মতুং মখা তানা শান্নবদা অহেনবা পাঞ্জল লৈনখিদবদগী অহানবা হাল্ফকী শান্নবা অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকপদা টিম ইস্পানিওলগী মায়কৈদগী ইক্কেলাইজর থিবা হৌরকখি। অদুবু মখোয়না ইক্কেলাইজর থিবা ফংদ্রিঙৈদা শান্নবগী ৭১ শুবা মিনটতা রিয়েল মাদ্রিদকী এটেক অমদা টিম অদুগী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা ইস্কোনা পাঞ্জল অমগা হাপচিন্দুনা মেটচ অদু রিয়েল মাদ্রিদনা ইস্কোবু ২-০ দা থোইখি।

ইটালিদা পাঙথোকপা ক্লবশিংগী ওইবা মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা সেরি এগী ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা ৭শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা জুবেন্টস অটলান্টা পাঞ্জল ২-২ দা ড্রো চৎখি।

জুবেন্টসকী মায়কৈদগী শান্নবগী ২১ শুবা মিনটতা ফেদরিকোনা অহানবা পাঞ্জল অদুগা শান্নবগী ২৪ শুবা মিনটতা অনীশুবা পাঞ্জল চনখি। অমরোমদা অটলান্টাগী মায়কৈদগী শান্নবগী ৩১শুবা মিনটতা মাটিয়া কালদারানা অহানবা পাঞ্জল অদুগা শান্নবগী ৬৭শুবা মিনটতা ব্রাইন কৃষ্টান্টেনা পাঞ্জল অমা চনখি।

শান্নবগী ৮৪ শুবদা জুবেন্টসনা ফংখিবা পেনাল্টি অমা টিম অদুগী শান্নরোই পাওলো দিবালানা পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমখিদবদগী মায় পাক্লম্বা য়াবা খুদোংচাবা অমা জুবেন্টসকী মায়কৈদগী মাঙজখি।

ফ্রান্সতা পাঙথোকপা ক্লবশিংগী ওইবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট লীগে ৱানগী ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা মেটচ অমদা মার্সেল্লিনা নিসপু পাঞ্জল ৪-২ দা থোইখি।

মেটচ অদু হৌরকপদা নিসনা খুদুম চন্দুনা শান্নবা ঙমখি। অদুবু লোইশিল্লকপদা মার্সেল্লিনা ফজবা হেনখিবদগী মেটচ অদু পাঞ্জল ৪-২ দা মায় পাকপা ঙমখিবনি।



*বার্সেলোনা ফুটবোল ক্লবকী শান্নরোইশিংনা মেটচ মায় পাক্লবা মতুং হরাওবা ফোঙদোকপা*

## ইন্দিয়াগী রোহন বোপানা অমসুং উরুগ্বেগী পাব্লো কিবাস চাইনা ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী ক্কার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে

*বৈজিং, ওক্তোবর ০২ঃ*

চাইনাগী সিটি বৈজিংদা পাঙথোকপা এটিপি অমসুং দব্লিয়ুটিএ পুনবা চাইনা ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী দবলসকী অহানবা রাউন্দ মায় পাক্তুনা ইন্দিয়াগী রোহন বোপানা অমসুং উরুগ্বেগী পাব্লো কিবাস ক্কার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

ইন্দিয়াগী রোহন বোপানা অমসুং উরুগ্বেগী পাব্লো কিবাসনা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অদুদা চাইনাগী পেয়র এম গোং অমসুং জি ঝাংবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অদুগী অহানবা সেট অদু ইন্দিয়া অমসুং উরুগ্বেগী পেয়র অদুনা চাইনাগী পেয়র অদুগী সার্ভিস গেম অহুমক ব্রেক তৌদুনা ৬-০ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

সেট অমা শোখরবা চাইনাগী পেয়র অদুগী মায়কৈদগী অনীশুবা সেট অদুদা য়াম্না কন্না লম্বা পীরক্তুনা শান্নরকখ্রবসু ইন্দিয়া অমসুং উরুগ্বেগী পেয়র অদুনা সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌরগা ৬-৪ দা থোইদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী ক্কার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী রোহন বোপানা অমসুং উরুগ্বেগী পাব্লো কিবাসনা ক্কার্টর ফাইনেলদা জেক রিপব্লিক্কী জে পিয়র্স অমসুং সর্ভিয়াগী এন জিমোনজিকপু ৬-৩, ৭-৫ দা মায়থিবা পীরম্বা টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা সিদেদ পেয়র ফিনলেন্দগী হেনরি কোন্টিনেন অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী জে পিয়র্সকা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ফ্রান্সকী এ কোর্নেটিনা টুর্নামেন্ট অসিগী ১০শুবা সিদেদ জর্মনিগী এঞ্জেলিক কর্বরবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা মায়থিবা পীদুনা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

মেটচ অদুগী অহানবা সেট অদুদা ফ্রান্সকী কোর্নেটিনা কর্বরগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬-৪ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা সেট অদুসু ফ্রান্সকী শান্নরোই অদুনা কর্বরগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌরগা ৬-৪ দা থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা সিদেদ স্পেনগী গার্বিন মুগুরুজা অমদি জেক রিপপ্লিক্কী বার্বোরা ষ্ট্রাইকোভা লম্বা তৌনবদা ষ্ট্রাইকোভানা অহানবা সেট ৬-১ দা থোইরবা মতুং অনীশুবা সেট অদুসু ২-০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎলিঙৈদা মুগুরুজা মশা ঙম্লক্তঃবদগী মখা তানা শান্নবা ঙমখিদবদগী ষ্ট্রাইকোভা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌদুনা জর্মনিগী জিওজেসকা লম্বা তৌনরগনি।

নুপীগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা টুর্নামেন্ট অসিগী ১৪ শুবা সিদেদ শান্নরোই য়ুএসএগী কোকো ভান্দিৱেগিনা ক্রোএসিয়াগী দি ভেকিকপু ৬-২, ৬-২ দা মায়থিবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দদা ওষ্ট্রেলিয়াগী দারিয়া গাভ্রিলোভাগা লম্বা তৌনরগনি।

রুশিয়াগী ইলিনা ভেসনিনানা পোলেন্দগী এম লিনেটপু নুপীগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা অহানবা সেট ৬-০ দা থোইরবা মতুং লিনেট মশা শোকপদগী মখা তানা শান্নবা ঙমখিদবদগী ভেসনিনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

চাইনা ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা টুর্নামেন্ট অসিগী ৫শুবা সিদেদ স্পেনগী রোবার্টা বোটিষ্টা আগুটনা চাইনাগী জে ঝাংবু ষ্ট্রেট সেট অনী ৬-১, ৬-৩ দা মায়থিবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দদা স্পেনগী অতোপ্পা শান্নরোই এম গ্রেনোল্লর্সপু ষ্ট্রেট সেট অনী ৬-৪, ৬-২ দা থোইরম্বা বৃটেনগী এ বেদানিগা লম্বা তৌনরগনি।

নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ক্রোএসিয়াগী দি লাজোভিসনা স্পেনগী এফ ভর্দস্কোবু ৬-১, ৩-৬, ৬-৩ দা মায়থিবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দদা স্পেনগী টুর্নামেন্ট অসিগী ৪শুবা সিদেদ পাব্লো কারেনো বুষ্টাবু ৬-০, ৬-৪ দা থোইরম্বা রোমানিয়াগী এস দার্সিসকা লম্বা তৌনরগনি।

নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ইটালিগী ফোগনিনিনা নেদরলেন্দসকী রোবিন হেসপু ৭-৬(৭-৪), ৬-২ দা থোইরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।



*চাইনা ওপন টেন্নিসকী নুপাগী দবলসতা ক্কার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রবা ইন্দিয়াগী বোপানা অমদি উরুগ্বেগী কিবাস*